# কিমনা ন্যুক্লিয়র মতিক ময়াই হেনগৎহল্লগনি হায়খ্রবা মতুংদা নোর্থ কোরিয়াদা টেন্সন হেনগৎহন্দনবা তকশিনখ্রে



সিওল, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী): নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উননা মহাক্কী রেজিমগী ন্যুক্লিয়র কেপেবিলিটিশিং হেনগৎ-হল্লগনি হায়না কিহনখিবা মতুং শগোলশেল নুমিত্তা সাউথ কোরিয়ানা নোর্থ কোরিয়াদা লমদম অদুদা উংখৎনবা হেনগৎহনগদবা খোঙথাংশিং লৌখৎতনবা তকশিনখ্রে।

য়ুনিফিকেসন মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিএল অমনা হায়খি, মদুদি ন্যুক্লিয়র কেপেবিলিটিশিং হেনগৎহনবা য়াওনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা টেন্সন হেনগৎহনগদবা থবক থৌওং পুন্নমক নোর্থ কোরিয়ানা লেপকদবনি হায়বসি ঐখোয়গী গভর্নমেন্ট অমসুং ইন্টরনেসনেল কম্ম্যুনিটিগী মতম শাংলক্লবা ফিরেপনি।

ওফিসিএল অসিগী ৱারোল পল্লদুনা য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা হায়, সাউথ কোরিয়ানা নোর্থকী খোঙথাংশিং কুপ্না য়েংশিনবগা লোয়ননা ৱাশিংতনগা তান্নরগা পেনিন্সুলা অদুদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় অমত্তা লৈহন্দনবা হোৎনবগা লোয়ননা মরা তপ্পা ফিভম অমা লাকহন্নবা লেপ্পুনা হোৎনগনি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা নোর্থ কোরিয়ানা মিলিটরি পেরেদ অমদা অচৌবা ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলেষ্টিক মিসাইল অমা অমদি অতৈ ষ্ট্রেটেজিক খুৎলায়শিং উৎখিবনি। মিলিটরি পেরেদ অদুদা কিমনা লৈবাক অদুগী ন্যুক্লিয়র কেপেবিলিটিশিং খ্বাইদগী থুনা হেনগৎহল্লগনি হায়না লৈবাক মীয়ামদা লাউথোকখি।

কিমনা নোর্থকী মরু ওইবা ইন্টরেষ্টশিংদা শোকহন্নবা হোৎনরিবা ফোর্স খুদিংমক ন্যুক্লিয়র ফোর্সশিং মায়োক্নরক্কনি হায়নসু অকনবা ৱার্নিং পীখি। মরু ওইবা ইন্টরেষ্টশিং হায়বগী ৱাহন্থোক্কী মতাংদা পল্লদুনা মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিএল অসিনা হায়খি, মদুদি নোর্থ কোরিয়ানা মমাঙদা এক্সপ্রেসন অসি শেংলবা ৱাহন্থোক পীদুনা তোইনা শীজিন্নবা লৈখ্রে।

কিমগী ইনৌ নৌবা ৱারোল অসিনা মহাক্কী অনিংবা অপান্থশিংগী মতাংদা ঐখোয়দা ৱাখল কয়া পোকহল্লি। কিমগী খ্বাইদগী নৌবা পব্লিক স্পিচ অদুদা সাউথ কোরিয়া নত্ত্রগা য়ুএসতা মীৎয়েং থন্বা মেসেজ শিং য়াওখিদে হায়নসু ওফিসিএল অসিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, নোর্থ কোরিয়ানা মিলিটরি পেরেদ অদু কিমগী লিচিং মখাদা ইন্টর্নেল য়ুনিটি হেন্না চেৎশিলহন্নবগী পান্দমদা কোরিয়ন পিপলস রিভোলুসনরি আর্মি (কেপিআরএ) লিংখৎখিবা ৯০ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা লাংখিবা মাল্লি।

মশক মমিং খঙহন্নিংদবা অতোপ্পা ওফিসিএল অমনা হায়খি, মদুদি কিমবু মার্সেলদগী গ্রান্দ মার্সেলদা প্রমোট তৌরে নত্ত্রগা তৌদে হায়বসি কনফার্ম তৌনবা য়ুনিফিকেসন মিনিষ্ট্রিনা এনালাইসিস অমা চথরি।

গ্রান্দ মার্সেল অসি নোর্থকী মিলিটরিদা খ্বাইদগী ৱাংবা পোজিসননি। মসি লৈবাক অসিগী লৈখিদ্রবা ষ্টেট ফাউন্দর কিম ইল-সুং অমসুং লৈখিদ্রবা লুচিংবা কিম জোং-ইল খক্তনা পায়খি।

নুমিদাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা মিলিটরি পেরেদ অদুদা কিমনা অঙৌবা মচুগী মিলিটরি সুট অমা শেৎলগা শরুক য়াখি। মিলিটরি সুট অদুদা মহাক্কী য়েৎ থংবা লেঙবানদা গ্রান্দ মার্সেলগী ইনসিকমিয়া য়াওবা ইপোলিট অমা উখি।

চৈরকসিদা নোর্থ কোরিয়নগী এজেন্ট অমা ওইরমগনি হায়না থাজবা মীওই অমদা মিলিটরিগী অরোনবশিং পীথোক্লস্বগী মরালদা সাউথ কোরিয়াগী পুলিসনা মীওই অমা ফাখ্রে।

পুলিসকী মতুং ইন্না ক্রিপতো করেন্সি একচেঞ্জ অমগী চীফ একজিক্যুটিব অমসুং আর্মি ওফিসার অমনা সাউথ কোরিয়াগী জোইন্ট মিলিটরি কম্মান্দগী লোগিন দিটেলস পীথোক্লমখি। মখোয়বু মদুগীদমক্তা শেল য়াম্না ফঙখি হায়না মরাল শীখি।

কুমজা ১৯৫০ দগী ১৯৫৩ ফাওবা লান অমা শোক্নখিবদগী নোর্থ কোরিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মরক্তা লেপ্পুনা উংখৎনদুনা লাক্লিবনি। মসি নোর্থ কোরিয়ান এজেন্ট অমগী ওর্দরদা এক্তিব-দ্যুটি ওফিসার অমা অমসুং সিভিলিয়ন অমনা মিলিটরিগী অরোনবশিং লোন্না পীথোক্লস্বগী অহানবা কেসনি হায়না পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# রসিয়ানা অতৈ লৈবাক অমত্তদা লৈতবা খুৎলায়শিং শীজিন্নবদা নীংহন্নরোই: পুটিন



মোস্কো, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী): য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্টতা মপানগী ফোর্সশিংনা খুৎ থিংজিল্লকপগী মায়োক্তা অকনবা ৱার্নিং পীরদুনা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা অসিগুম্বা এক্সনশিংগী মতাংদা মোস্কোগী খ্বাইদগী টেক্নোলোজি ৱাংলবা খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা থুনা য়াঙনা পাউখুম পীরক্কনি হায়খ্রে।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা লো মেক্কর-শিংদা ৱা ঙাঙলদুনা পুটিননা হায়খি, মদুদি কনাগুম্বনা মপানদগী হৌজিক্কী কনফ্লিক্ট অসিদা খুৎ থিংজিন্নবা ৱারেপ লৌদুনা ঐখোয়দা অকিবা পীবা য়ানিংঙাই ওইদবা ষ্ট্রেটেজিক থৌরাংশিং পায়খৎলকপা তারবদি মখোয়না খঙগদবদি ঐখোয়গী রেস্পোন্স অদু থাজবগী ৱাংমদা অদুক্কী মতিক য়াঙনা পায়খৎলক্কনি হায়বসিনি।

মসি পাঙথোক্ক বগীদমক ঐখোয়দা মথৌ তাবা খুৎলায় পুম্নমক লৈরে। খুৎলায়শিং অদু অতৈ লৈবাক অমত্তদা লৈরোই। ঐখোয়না অসিগুম্বা খুৎলায়শিং ইরায় লায়না হেক্তা শীজিন্নগদবদি নত্তে।

তৌইগুম্বসুং ফিভম্না য়ারক্ত্রবদি রসিয়ানা অসিগুম্বা খুৎলায়শিং শীজিন্নবদা নিংহন্নবা তৌরোই হায়না প্রসিদেন্ট পুটিননা খুৎলায়শিং অদুগী মশক তাক্তনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি অসিগুম্বা রেস্পোন্স অমা শেমশানবা রসিয়ন ওথোরিটিশিংনা মথৌ তাবা ৱারেপশিং লৌরে।

আরটিগী রিপোর্টনা হায়রি, হৌখিবা চয়োলদা রসিয়ানা লৈবাক অসিগী ষ্টেট-ওফ-ডি-আর্ট আরএস-২৮ সারমাট ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলেষ্টিক মিসাইল মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখি।


ন্যুক্লিয়র খুৎলায় হাপচিনবা য়াবা অনৌবা মিসাইল অদুনা হৌজিক লৈরিবা এয়র দিফেন্স খুদিংমক ফাওদৎপা ঙম্মী হায়নরিবা এভানগার্দ হাইপোসোনিক গ্লাইদরশিং পুবা ঙম্মী। মিসাইলশিং অদুনা পায়বা মতমদা মখোয়গী খোঙজেল কা হেন্না য়াংবা অমসুং লেপ্পুনা মেনুভর তৌবা ঙম্বনা মরম ওইদুনা হৌজিক লৈরিবা এয়র দিফেন্স সিষ্টেম পুম্নমক রসিয়াগী ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলেষ্টিক মিসাইল অদুনা ফাওবা ঙল্লিবনি।

রসিয়াগা মান্নদ্রিবদি য়ুএস অমসুং মসিগী নাটোদা য়াওরিবা মীচংশিংদি হৌজিক হাইপরসোনিক খুৎলায় অমত্তা সার্ভিসতা লৈতে। য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্ট অদুদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা কিভতা এন্টি-টেঙ্ক অমসুং এন্টি-এয়রক্রাফট মিসাইল সিষ্টেমশিং, আর্মর ভেহিকলশিং অমসুং হোৱিটজরশিং য়াওনা খুৎলায় কয়ামরুম সপ্লাই তৌদুনা লাক্লি।

রসিয়াগী মিলিটরি মতিক ময়াই হন্থহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা মখোয়না মোস্কোগী মায়োক্তা অকনবা অথিংবা কয়াসু থমখ্রবনি। অদুম ওইনমক য়ুএস অমসুং মসিগী মীচমশিংনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি রসিয়াগা হকথেংননা লান থোরকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈবদগী নাটোনা গ্রাউন্দদা খোঙ থাংজিনবা নত্ত্রগা নো-ফ্লাই জোনদা চঙশিনবা লৈত্রি।

# সেহবাজ সারিফনা সাউদি অরাবিয়া খোঙচৎতা দোল্লর বিলিয়ন ৭.৪ গী এইদ পেকেজ লৌনবা হোৎনরবা য়াই





ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী): পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফনা মহাক্কী সাউদি অরাবিয়া খোঙচৎতা কিংদম অসিদগী দোল্লর বিলিয়ন ৭.৪ গী শেলগী মতেং ওইবা পেকেজ অমা লৌনবা হোৎনরবা য়াই। পেকেজ অদু কেস দিপোজিৎশিং অমসুং কোন্না পেমেন্ট তৌগদবা থাউ ওইরবা য়াই হায়রি।

সারিফনা শগোলশেল নুমিত্তগী হৌগদবা নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎতা ফাইনান্সিএল এসিস্টেন্টস পেকেজ অদু সাউদি অরাবিয়াদা হায়জরবা য়াই হায়না ইস্লামাবাদতা মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সকী ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোরকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসিএল খোঙচৎ অদুদা ফাইনান্স মিনিষ্টর মিফতা ইস্মালসু য়াওগদৌরিবনি। মিনিষ্ট্রি অসিগী সেনিয়র ওফিসি-এলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা হৌজিক লৈরিবা দোল্লর বিলিয়ন অহুমগী ফেসিলিটিশিংগী মথক্তা গভর্নমেন্টনা দোল্লর বিলিয়ন ২ গী অহেনবা কেস দিপোজিৎ লৌনবা হোৎনগনি। হৌজিক্কী ফেসিলিটিশিং অদুদি চহী অসিনা লোইরকপদা মেচ্যুর ওইগদবনি হায়রি।

ওফিসিএলশিং অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি হন্দক্কী মতাং অসিদদি পাকিস্থাননা মমাঙগী গভর্নমেন্টনা শেল শিংবগী মতম কোমথোকপগী মথক্তা অনৌবা লোনগী শেনফম অদুগী টার্ম চহী অমদগী হেন্না শাংথহন্নবা তকশিল্লগনি। হৌখিবা চহীগী ওক্তোবরদা সাউদি অরাবিয়ানা চহী অমগী কেস দিপোজিৎশিং অমসুং শেল কোন্না পীগদবা থাউ য়াওনা পুন্না দোল্লর বিলিয়ন অহুম পীরগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

অদুম ওইনমক ওইল ফেসিলিটি অদু লৈবাক অসিনা দোল্লর মিলিয়ন ১০০ গী থাউ লৌখিবা মতম চহী অসিগী মার্চতা ওপরেস্নেল ওইখি।

ওফিসিএলশিং অসিগী মতুং ইন্না কোন্না শেল পীবগী থাউগী চাং শরুক অনী হেনগৎহন্নবসু প্রাইম মিনিষ্টরনা সাউদি ওথোরিটিশিংদা হায়জরগনি।

খোঙচৎ অসিদা তকশিনগ-দৌরিবা অহেনবা শেলগী মতেংসু কেস দিপোজিৎশিং অমসুং কোন্না পেমেন্ট তৌগদবা থাউ অনীমক্কী ওইনা দোল্লর বিলিয়ন ৩.২ ওইরগনি হায়না মিদিয়া রিপোর্ট খরনা ফোঙদোকখি।

মমাঙগী পিটিআই গভর্নমেন্টনা চহীদা চাদ ৪ গী ইন্টরেষ্ট রেটতা কেস ওইনা দোল্লর বিলিয়ন ৩ অমসুং কোন্না চহীদা চাদ ৩.৮ কী চাংদা পেমেন্ট তৌবগী ফিভমদা থাউ ফঙখি। মসি লৈবাক অনীগী মরক্তা য়ান্নখিবা টার্মশিংগী মতুং ইন্ননি।

মমাঙগীগা মান্নরোইদবদি সাউদি লোনগী রোল ওভরগী ওপসন অমত্তা লৈখিদে। লৈবাক অসিনা চহী অমা মপুং ফারবা মতুংদা খুদক্তা মদু হনগদবনি।

# রসিয়াগী খোঙচৎ লোইরবা মতুংদা য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল গুটরেজ য়ুক্রেনদা থুংখ্রে



য়ুনাইটেদ নেসন্স, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী): রসিয়াগী খোঙচৎ লোইরবা মতুংদা য়ুএন চীফ এন্টোনিও গুটরেজ লানগী চৈথেং নঙলবা য়ুক্রেনদা থুঙখ্রে। মহাক্না প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিগা ৱারী শান্নরগনি হায়রি।

য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নুমিদাংদা ট্যুটর পোষ্ট অমদা য়ুএন চীফনা হায়খি, মদুদি মোস্কো খোঙচৎ লোইরবা মতুংদা ঐহাক য়ুক্রেনদা থুংলে। ঐখোয়না হ্যুমেনিটেরিয়ান সপোর্ট হেনগৎহন্নবা, কনফ্লিক্ট জোনশিংদগী মীচমশিং হোন্দোক্নবা লেপ্পুনা হোৎনগনি।

লান অসি থুনা লোইবা হায়বসি য়ুক্রেন, রসিয়া অমসুং মালেম পুম্বগী ওইনা অফবা ওইগনি হায়না গুটরেজনা ত্বিট অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মোস্কোদা গুটরেজকা উন্নখিবদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা য়ুক্রেনগী লাঙ্গৈই চল্লবা মরিওপোল সিটিদা লৈবা অজোবষ্টাল প্লান্টদগী মীচমশিং পুথোকপদা য়ুএন অমসুং ইন্টরনেসনেল কম্মিটি ওফ ডি রেদ ক্রোস য়াওহনবগী ৱাফম য়াখি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ৱার্ল্ড বোদি অসিগী স্পোক্সমেন অমনা লাউথোকখিবদা য়ুএননা রসিয়াগা য়ান্নখিবা মতুং ইন্না অজোবষ্টালদা পন্দুনা লৈরিবা মীচমশিং হোন্দোকপগী থবক কো ওর্দিনেট তৌগনি।

য়ুএন ওফিস ফোর কোওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেন এফিয়ার্স অমসুং রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগা মতুং তারকপদা পায়খৎকদবা ৱাফমশিংসু খন্নগনি। উন্নবা অদুদা পুটিননা য়ুএন চীফতা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেনিয়ন ইস্যু অসি কুমজা ২০১৪ দা কিভতা কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা ওইরিবা মওংদা কুচথখিবা অমদি দোনবাসকী মীয়াম্বু পিছফুল সেটলমেন্টগী মতাংদা মিঙ্কসতা এগ্রিমেন্ট কয়া পুরকখিবা লৈনা লৈনা ব্লোকেদ অমসুং মিলিটরি প্রেসরগী মখাদা লৈহনবদগী লাকপনি।

রসিয়ন প্রসিদেন্টগী মতুং ইন্না দোনবাসকী রিপব্লিকশিং সোভরেন্টি লাউথোকচবা ঙম্বগী রাইট লৈ। লোয়ননা রসিয়াসু মখোয়গী ইন্দপেন্দেন্স শকখঙবা ঙম্বগী রাইট লৈ। য়ুএন চার্টরগী মতুং ইন্না ঐখোয়না মখোয়দা মিলিটরি মতেং মপুং ফানা পীবা য়াই।

গুটরেজটকী মায়কৈদগী য়ুএন, রসিয়া অমসুং য়ুক্রেননা পুন্না খন্নদুনা হ্যুমেনিটরিয়ান কোরিদোরশিং ইফেক্তিব ওইহনবা য়াগদবা কন্টক্ট গ্রুপ অমা শেম্নবগী ৱাফম হৌদোকখি।

মোস্কোগী খোঙচৎ অদুগী মমাঙদা য়ুএন চীফনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা টর্কিগী কেপিটেল অঙ্কারাদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রেসেপ টায়িপ ইর্দোনগা উন্নখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# বৈজিংদা নৌনা হেনগৎলক্লিবা কোভিদ কেসশিংগী শরুক ৩ থোকপগী ১ দি স্কুলগা মরী লৈনবা কেসশিংনি



বৈজিং, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী): বৈজিংদা ইনৌ নৌনা এপ্রিল ২২ দগী হেনগৎলকখিবা অনৌবা কোভিদ কেস পুম্নমক্কী শরুক অহুম থোকপগী অমদি স্কুলগা মরী লৈনবা কোভিদ ১৯ ক্লষ্টর কেসশিংনি হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

চেকশিন থৌরাং অমা ওইনা বৈজিংগী স্কুলশিংনা ফেকল্টি মেম্বরশিং অমসুং মহৈরোয়শিং চয়োলগী ওইনা ন্যুক্লিক এসিদ টেষ্ট তৌবা হৌখ্রে।

মসি ভাইরস অসিবু দিটেক তৌবগী থবক্তা ইস্পুমেন্ট লৈহন্নবগী চাং নাইনা এন্টি বোদি টেষ্ট তৌবগা পুন্না পায়খৎমিন্নগদবনি হায়না গ্লোবেল টাইমসকী রিপোর্টনা চাইনিজ হেল্‌ঠ প্রোফেস্নেল অমগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

বৈজিং ম্যুনিসিপাল দিজিস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল সেন্টরগী দিপ্যুটি দিরেক্তর পাং সিংওনা মেদিয়া ব্রিফিং অমদা হায়খি, মদুদি লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী য়ুমশকৈশগী নুংথিল ফাওবদা বৈজিংদা অনৌবা কেস ৪৬ থেংনখি।

মসি থারগা নুমিৎ তরুক্লিগী মনুংদা রিপোর্ট তৌখিবা কেস মশিং পুন্না ১৩৮ নি।

কেসশিং অসি সিটি অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬ কী মনুংদা নিপানদা থেংনখিবশিংনি। য়ুমশকৈশ নুমিৎ ফাওবদা বৈজিং হেল্‌ঠ কম্মিসন্না কোভিদ ১৯গী হাই-রিস্ক এরিয়া মঙা অমসুং মেদিয়ম-রিস্ক এরিয়া ১৬ খায়দোকখি।

অনৌবা কেসশিং অদুগী মনুংদা ১৪ দি মহৈরোয়শিংনি। চাওয়োং দিষ্ট্রিক্টতগী মহৈরোয় মাপন অমসুং তোংজৌ দিষ্ট্রিক্টতগী মহৈরোয় অহুম য়াওখি।

হৌজিক ফাওবদা কেপিটেল অসিদা রিপোর্ট তৌখিবা ইনফেক্সন ৪৬ তি ছাত্রশিংনি। ছাত্রশিং অদু স্কুল তরুক অমসুং কিন্দরকার্দেন অনীগীনি। মখোয়না অপূনবা ইনফেক্সনগী চাদ ৩১ ওইখি। চাওয়াংদা লৈবা মিদ্দল স্কুল অমদা কেস ৩৬ রিপোর্ট তৌখি।

গ্লোবেল টাইমসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না তোংজৌদা মহৈরোয় অহুম কোভিদ ইনফেক্সন লৈরম্বা থেংনখিবা মতুংদা কেপিটেলগী সবসিদারি এদমিনিষ্ট্রেটিব সেন্টর ওইরিবা অমদি মরু ওইবা প্রিন্সিপাল গভর্নমেন্ট ওর্গানশিংগী ওফিসশিং লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা প্রাইমারি অমসুং মিদ্দল স্কুলশিং অমদি কিন্দরকার্দেনশিংগী ফিজিকেল ক্লাসশিং সস্পেন্দ তৌনবগী থৌরাংশিং লাউথোকখি।

# ওষ্ট্রেলিয়ানা চাইনাবু মীখলদা খুৎ থিংজিনবগী মরাল শীখ্রে

কানবেরা, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়াগী হোম এফিয়ার্স মিনিষ্টর কারেন এন্দ্রুসনা চাইনাবু মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা খুৎ থিংজিন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীখ্রে।

মহাক্না হায়খি, মদুদি হন্দক্তা নক্কনা লৈরিবা পেসিফিক্কী লৈবাক অমগা চাইনাগা সেক্যুরিটি দিল অমা পুরকখিবদু অফবা পান্দমদা নত্তে। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ব্রিসবেন্দ রেদিও ষ্টেসনদা ৱা ঙাঙবদা এন্দ্রুসনা ৱার্নিং পীরদুনা হায়, মদুদি ওষ্ট্রেলিয়নশিংনা চাইনা অমসুং সোলোমোন আইলেন্দগী মরক্তা পুরকখিবা পেক্তিতা মীৎয়েং চঙগদবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি হৌজিক হৌজিক ঐখোয় ফেদরেল ইলেক্সন কেম্পেইন চথরি হায়বসি বৈজিংনা মুন্না খঙলবনি। পুম্নমক অসি হৌজিক হৌজিক ফেদরেল ইলেক্সন কেম্পেইন চথরিঙৈ মনুংদা খঙলকপনি। ঐখোয়না মীখলদা খুৎ থিংজিল্লকপগী ৱাফম পন্দুনা ঙাঙলি।

মরম অসিনা খুৎ থিংজিনবগী মওং কয়ামরুম লৈ। মে ২৭ কী ফেদরেল ইলেক্সনদা চাইনা-সোলোমোন দিল অদুনা করি চৈথেং পীরক্কদগে হায়বসি ঐখোয়না চপ চানা খঙদে হায়না রুল্লিং লিবরেল পার্টিনা ফোঙদোকখি।

# 'য়ুএসকী হোৱিটজরশিংগী তঙ্খায় অমা হেন্না ঙসি য়ুক্রেনদা লৈরে'



ৱাশিংতন, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী): য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী হোৱিট-জরশিংগী তঙ্খায় অমা হেন্না হৌজিক য়ুক্রেনদা লৈরে অমসুং লান নঙলবা লৈবাক অসিগী লান্মীশিংগী অহানবা গ্রুপ অমা লোং-রেঞ্জ খুৎলায় সিষ্টেম করম্না শীজিন্নগদগে হায়বসিদা ট্রেনিং পীরে হায়না পেন্টাগোনগী প্রেস সেক্রেটরি জোন কিরবিনা লাউথোকখ্রে।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা প্রেস ব্রিফিং অমদা কিরবিনা হায়খি, মদুদি খুৎলায় সিষ্টেমশিং অমদি ম্যুনিসনশিং য়ুক্রেনদা লেপ্পুনা থাজিল্লি। ট্রেন তৌরবা লান্মীশিং য়ুক্রেনদা হল্লগনি অমসুং অতৈ লান্মীশিংদা অমুক তাকপী তন্বীগনি।

য়ুক্রেনদা থারিবা খুৎলায়শিং অদুনা লানদা কান্নবা পীরি অমসুং ইষ্টর্ন দোনবাস রিজনদা শোক্নরিবা লানফমশিংদা খুৎলায়শিং অদুনা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙল্লে হায়নসু মহাক্না ক্লেম তৌখি।

ইষ্টর্ন দোনবাস রিজন অসি রসিয়াগী কেম্পেইন অদুদা মরু ওইবা মীৎয়েং থল্লিবা মফমনি। সেক্রেটরি ওফ দিফেন্স ললোইদ ওষ্টিনগা য়ুরোপতা খোঙচৎ অমা চৎলুবদগী হল্লকখিবা কিরবিনা দোনবাসকী লান অদু হৌজিক কন্না চথরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

য়ুক্রেনিয়ন ওফিসিএলশিংনা ওষ্টিনদা হায়খি, মদুদি তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৪০ দগী লাকপা খুৎলায়শিংনা য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংবু মশিং য়াম্লবা রসিয়ন ফোর্সশিংগী মায়োক্তা খোঙফম চেৎনা লেপ্পা ঙমহল্লি। য়ুএস অমসুং পার্টনর লৈবাকশিংনা মখা তানা য়ুক্রেনিয়নশিংদা খুৎলায় অমদি সপ্লাইশিং পীখিগনি হায়না য়ুরোপতা ওষ্টিননা ফোঙদোকখিবনি।

কিরবিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মতম চানা খুৎলায় অমদি এম্যুনেসন থুংহনবা ঙম্নবগীদমক য়ুএস ওফিসিএলশিংনা য়ুক্রেনগী মিলিটরিগা লেপ্পুনা কন্টেক্ট তৌনরি।

হৌখিবা চয়োলদা প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা য়ুক্রেনদা সেক্যুরিটি এসিষ্টেন্ট ওইনা অহেনবা দোল্লর মিলিয়ন ৮০০ গী খুৎলায়শিং পীরগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

খুৎলায়শিং অদুদা হেভি আর্টিলরি হোৱিটজর কয়া হোৱিটজরশিং অদুগা লোইনগদবা এম্যুনেসন রাউন্দ ১৪৪,০০০ অমদি অহেনবা টেক্টিকেল দ্রোনশিং য়াওখি। ফেব্রুৱারী ২৪ দা য়ুক্রেনগী লান হৌখিবদগী য়ুএসনা হৌজিক ফাওবদা এন্টি-আর্মর অমসুং এন্টি এয়র মিসাইলশিং, হেলিকোপ্টর, দ্রোন, গ্রেনেদ লোঞ্চর, মেছিন গন, রাইফল অমসুং রাদর সিষ্টেম লিশিং কয়া থাখ্রে।

খুৎলায়শিং অসিগী মথক্তা এম্যুনেসন রাউন্দ মিলিয়ন ৫০ হেন্না থাখ্রে হায়না বাইদেননা ক্লেম তৌখি। য়ুক্রেনদা লৈরিবা রসিয়ন টেঙ্ক অমমমগা পান্নবা য়ুএস খক্তনা এন্টি-আর্মর সিষ্টেম তরাগী চাংদা সপ্লাই তৌখ্রে। মসি রেসিওদা ১০ টু ১ নি। হৌজিক ফাওবদা য়ুএসনা য়ুক্রেনদা দোল্লর বিলিয়ন অমগী ইকনোমিক সপোর্ট পীখ্রে।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK**

**Ref. Mutation case no. 131/SDC/YPK** **Dtd. 27/04/2022**

Parties:-

1) Korimayum Jalarudin, S/o (L) Md. Toyai Miya of Mayai Keithel
2) Md. Salaobi S/o (L) Toyai Miya of Mayai Keithel
3) Korimayum Kalam S/o (L) Toyai Miya of Mayai Keithel

-Petitioner

-Vrs-

(Late) Md. Toyai Miya, S/o (L) Md. Abdul Haman Miya of Mayai Keithel

-OPP

**[illegible] / NOTICE**

Yairipok, the 27/04/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা য়াইরিপোক তহশিল খুল নং 112-Chandrakhong অরিবা পাট্টা নং ১৫৫ (অনৌবা) ৪১০ দাগ নং ১৫৭ এরিয়া ০.৬১০০ হেক্টর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার Md Toyai Miya, S/o (L) Md. Abdul Haman Miya of Mayai Keithel দা লৈবা অসি মৃত্যু ওইখ্রে, হায়রিবা পিটিস্নর অসি মহাক্কী মচানুপাগী ফংফম থোকপা শোতোনি হায়না হায়ররে। মরম অদুনা মৃত্যু পাট্টাদারগী মমিং ককথৎপীরগা পিটিস্নরগী মিংদা নমা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অসিনা ফৌরেল লৌফম অসিগী Applicant 1 অৱাংগী ময়াইদা এরিয়া ০.০৮৩৭ হেক্তরগী লম Applicant 2 খাগী ময়াইদা এরিয়া ০.০৮৩৭ লম Applicant 3 না খা ৱাংদা এরিয়া .৪৪২৬ হেক্তরগী লমনি হায়ররে। মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েংপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
**Yairipok, Thoubal District, Manipur**

HL-P/2378/29